জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা লৈঙাংপোকপী কম্যুনিটি হোলদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ওন ফায়র প্রোটেক্সন অন্দর সী এস এস: এফ এফ পি পাঙথোকখিবা

মণিপুরগী অহানবা হার্ট সর্জন্ট ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কালানা লুচিংদুনা কাঞ্চিপুর লংথবালদা লৈবা আইলেন্দ হোস্পিটালদা ফ্রী হার্ট চেক অপ পাঙথোকপগা লোয়ননা হার্ট এটেক প্রিভেন্সন সেল অমা হাংদোকখিবা

খুরাই কোংপাল নিংথৌবুং লৈকায়দা লৈবা মৈরা শঙদা থম্বালদোং মৈরা পায়বী লূপনা মণিপুর লৈঙাক্লা লোকল রিপ্রজেন্টেটিভশিং জেদ পি অমসুং জি পিগী মেম্বরশিং লৌথোক্লগা নৌনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি শেম্বা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা

মালেমগী হার্টকী নুমিৎ অমসুং মালেমগী বাইসাইকলগী নুমিৎকী থৌরম দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবাল অমদি নন-কম্যুনিকেবল দিজিজেজ সেল অনীনা পুন্না শীন্দুনা নোংপোক সেকমাইদা পাঙথোকখিবা

লুপা লিশিং ৪০ তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : ঙসি জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী ১৯৭১গী অহানবা সাইন্স মহৈরোয়শিংগী বেটচনা শীন্দুনা লৈমরামগী রিলিফ কেম্পতা লৈরম্বী চহী ১১ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমগী কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগীদমক জেনিমস হোস্পিটালদা হোস্পিটালাইজ তৌদুনা লৈরিবীগী মতেং ওইনবগীদমক লুপা লিশিং ৪০ জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. খুমুকচম লোকেশ্বরগী চেম্বরদা তেংবাঙ ওইনা খূৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা নুপীমচা অদুগী তুংগী পূন্সি-নুংশাংবা ওইনবগীদমক জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী ১৯৭১গী অহানবা সাইন্স মহৈরোয়শিংগী বেটচনা পূক্লিং থৌগৎপীরমখি।

‘বোনসাই’ প্রেমিয়র সো উৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা খাংজেং রেপর্টরি থিয়েটরনা পুথোকপা অনৌবা প্রদক্সন ‘বোনসাই’গী প্রেমিয়র সো ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী ওদিটৌরিয়মদা উৎখ্রে।

খাংজেং রেপর্টরি থিয়েটরগী দিরেক্তর মোইরাংথেম প্রসান্তনা দিরেক্সন পীবা প্রদক্সন অদুগী প্রেমিয়র সো অদুগী মাঙওইননা কংলৈ মাইম রেপর্টরি থিয়েটর ইম্ফালগী দিরেক্তর, সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী ডা. য়ূম্নাম সদানন্দ অমদি কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলুপ ইম্ফালগী দিরেক্তর সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী চিংথাম রঞ্জিৎ খুমন অনীবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

ঙসি প্রেমিয়র সো উৎখিবা অনৌবা প্রদক্সন অদুগী মতাংদা রেপর্টরি অসিগী দিরেক্তর প্রসান্তনা হায়খিবদা, মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইসি ‘বোনসাই’গুম্না নীংতম্না হিংবা ঙমদনা লৈরি। নমথবীরবা মীওই মপোক অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা লীলা অদু পুথোকপনি হায়খি।

লৈঙাক্কী এচিভমেন্টশিংগী হোর্দিং, পোষ্টরশিং লৌথোকপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই)না ঙরাং ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকখিবগী মতুংইন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতসু খুদক্তগী কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌখ্রে।

মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থেৎলম্বা লৈঙাক্কী এচিভমেন্টশিংগা মরী লৈনবা হোর্দিং অমদি পোষ্টরশিং লৌথোকপা হৌখ্রে। অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসিদা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট

মপুং ফানা চৎনহন্নবগী মতাংদা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরগী থৌসু পুরিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নার অহন্থেম সুভাশনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম কৌদুনা ৱা তান্নখ্রে।

মীখলসিগী মতাংদা ঐখোয়গী পাউমীনা দেপ্যুটি কম্মিস্নারগা অখন্নবা উনবদা মহাক্লা হায়খি, হন্দক্কী মীখলসিদা এসেম্ব্লী সেগমেন্ট তরুক লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অপূনবা ভোটর মশীং ২,০৪,৫২০, অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৪৮দা ভোট থাদনগনি। অপূনবা ভোটরশিং অসিগী মনুংদা নুপা ভোটরনা ৯৯,২৪৩নি। নুপী ভোটরনা ১,০৫,২৬২, ট্রান্সজেন্দর ভোটরনা ১৫, পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজনা ১,২৮৭, চহী ৮০গী মথক্তা লৈবা ভোটরনা ১,০০২ অদুগা নৌনা ভোটর লিষ্টতা মিং চল্লবা চহী ১৮দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ভোটর মশীংনা ৪,৪০২নি।

মীখলগী নোটিফিকেসন মার্চ ২০দা থোক্লগা মীরেপ চে পীশিনবগী মতমনা মার্চ ২৭, মীখলগী স্ক্রুটিনিনা মার্চ ২৮, মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতম্না মার্চ ৩০ ওইরগা ভোট থাদবগী নুমিৎনা এপ্রিল ১৯নি। ভোট মশীং থিবনা জুন ৪ নি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলসি মায় পাক্লা পাঙথোকপদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনবু মতেং পাঙবীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তানা মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

‘মীখলদা খনখিবা মেম্বরশিং লৌথোকপা য়ানিংদে’

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্লা লোকল রিপ্রজেন্টেটিভশিং ওইরিবা জিলা পরিষদ অমসুং গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বরশিংবু লৌথোক্লগা নৌনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি শেম্নবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং য়ানিংদে হায়না খুরাই কোংপাল নিংথৌবুং লৈকায়দা লৈবা মৈরা শঙদা থম্বালদোং মৈরা পায়বী লূপনা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অমদি য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনবা অদুগা মরী লৈননা খুরাই থম্বালদোং মুরিয়া মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট আরকে লৈবাকলোৎপীনা হায়খিবদা, মীয়াম্না খনখিবা মীহুৎশিংবু ভোট/ইলেক্সন তৌদনা ৱার্দ মেম্বর শীন্দোক্তুনা ঙম্মী হায়বা মতাগুম লৈঙাকসিনা খুদক্তা শীন্দোক্লক্লিবা অসিগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফমসি ফম্বনি হায়খি।

কোংপাল নিংথৌবুং লৈরক ৱার্দ নম্বর ৮ অমসুং ৯গী মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, মেম্বর হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না মশা-মশাগী ভোটিং রাইট শীজিন্নদুনা কন্সটিট্যুসন্না পীবা মীখলগী রাইট শীজিন্নদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎখিবনি। অসুম্না ভোট থাদদুনা খনখিবা রিপ্রজেন্টেটিভশিংবু লৌথোকপা হায়বসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা পীবা রাইট মৎপনি। মীয়াম্না পীখিবা ভোটিং রাইট অসিবু নাথৈরগা লৈঙাক্লা পৱার শীজিন্নদুনা মেম্বর শীন্দোক-শীঞ্জিন তৌবা হায়বসি দেমোক্রেসিগী মমায়দা হামুক তৈশিনবনি হায়খি।

ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা ৱার্দ মেম্বরশিংসি লৈঙাক্লা খনবা য়ারোই। লৈঙাক্লা লৌরক্লিবা খোঙথাংসি অথুবা মতমদা হন্দোকপীয়ু। লৈবাকসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসিবু লৈঙাক্লা মায়থীবা পীবা য়ারোই। মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা থবক তৌবীয়ু। লৈঙাক্লা পৱার লান্না শীজিন্নবীগনু হায়খি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা হন্দক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লোক সভা ইলেক্সন ২০২৪ লাক্লিবা এপ্রিল ১৯দা ফেজ ৭ থোক্লা পাঙথোক্তুনা জুন ৪দা ফল লাউথোক্লবা ওফিসল ওইনা লাউথোরকখিববু থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপার্সন এম মনিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, লোক সভা ইলেক্সন ২০২৪না লৈবাকসিগী চাওখৎ খোঙজেলদা শীংথানিংঙাই ওইবা তাঞ্জা অমা ওইরগনি। মসিগীদমক বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা মণিপুর অমসুং লৈবাকসিগী মীয়ামগীদমক নৌহৌনা ৱাশক লৌবগা লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংগীদমক কথোকপগা লোয়ননা থবক পাঙবা হৌরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

সাইন্টিফিক এদভাইজরি কম্মিটিগী ১৭শুবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : আই সী এ আরগী ১৭শুবা সাইন্টিফিক এদভাইজরি কম্মিটি (এস এ সী)গী মীফম কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র চুড়াচান্দপুরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

এন ঈ ঐচ রিজন, মণিপুর সেন্টর ইম্ফালনা রিছার্স কমপ্লেক্স অদুদা মার্চ ১৫দা হায়ব্রিদ মোটতা পাঙথোকখিবা মীফমদুদা এ টি এ আর আই জোন-৭ উমিঅমগী দিরেক্তর ডা. এ কে মোহন্তিনা চ্যের লৌখি। সাইন্টিফিক এদভাইজরি কম্মিটিগী মেম্বরশিং ওইরিবা হেদ ওফ রিজনল সেন্টর, আই সী এ আর মণিপুর সেন্টর, নোদেল ওফিসর, আই সী এ আর-কে ভি কে এস উমিঅম মেঘালয়া, চুড়াচান্দপুরগী লাইন দিপার্টমেন্টশিং, চুড়াচান্দপুরগী এস এম দি, এ টি এ আর আই জোন-৭ উমিঅমগী সাইন্টিষ্টশিং, আই সী এ আর মণিপুর সেন্টরগী সাইন্টিষ্টশিং, আই সী এ আর-কে ভি কে এসকী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট কম হেদ, আই সী এ আর-কে ভি কে এসকী সবজেক্ট মেট্টর স্পেসিএলিষ্টশিং অমসুং চুড়াচান্দপুরগী লৌমীশিংনা থৌরমদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সিনিয়র সাইন্টিষ্ট কম হেদ আই সী এ আর-কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র চুড়াচান্দপুরগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. মনোজকুমার পান্দেনা এন্যুএল রিপোর্ট পাথোকখি।

লংথবালদা ফ্রী হার্ট চেক অপ কেম্প

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : লংথবালদা লৈবা আইলেন্দ হোস্পিটালদা ফ্রী হার্ট চেক অপ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদু মণিপুরগী অহানবা হার্ট সর্জন্ট ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কালানা লুচিংদুনা পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা হোস্পিটালগী ষ্টাফশিং, পেরা মেদিকেলগী ষ্টাফশিং অমদি মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিভশিংগা পুন্না শরুক য়াখি। কেম্প অদুদা লাকখিবা মীপুম খূদিংগী বোদি ৱেট, ব্লদ প্রেসর, ব্লদ সুগর টেষ্ট, ঈ সী জি, নর্ব টেষ্টনচিংবা পাঙথোকখি।

থাইরোদ অমদি কিদনিগী মাইক্রো অলবুমিননচিংবসু য়েংখি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৯৫ লাক্তুনা চেক অপ তৌখি। মথৌ তাবা মীওইশিংদা হিদাক লাংথকশিং লেম্না য়েন্থোকখি। কেম্প অদু লোইরবা মতুংদা হোস্পিটালসিদা হার্ট এটেক প্রিভেন্সন সেল অমসু হাংদোকখি।

সনা কোনুং উত্রা শঙলেননসু শরোই খাংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : সনা কোনুং উত্রা শঙলেননা শীন্দুনা নিংথৌগী মশিল অমা ওইনা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা পুরৈরোম্বা খোংনাংখোঙ কৌব্রুদগী হৌরগা মায়কৈ মরিদা শরোই খাংলবা মতুং পন্থোং লাৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অহানবদা খুরাই অহোংপূঙ, অনীশুবদা কোংবা শৌদোংপূঙ, অহুমশুবদা তেরা ৱাংথোনবীদা পাঙথোক্লবা মতুং মরিশুবা ওইনা ককৱা লমতাইপূঙদা পাঙথোক্তুনা লোইশিনখি। থৌরম অদুদা অঙোম নিংথৌ, অমাইবা, অমাইবী, পেনা অমদি উত্রাগী ফম্নাইবশিং য়াওনা লৈবাক্কী য়াইফনবা থৌনি থৌরমশিং পাঙথোকখি।

অমরোমদা, নোংপোক চীংঙু থোঙ মৈতৈ লাইকোন থলো সিপ্পি লোক সেলোই লংমাই চীংদা মীয়ামগা লোয়ননা লৈপাক্কী ওইবা লাইনা লমখৈ তাইবা থৌরম, শরোই খাংবা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লাই ওইবা পন্থৌনা ফোঙদোকখিবদা, লমতা থা হায়বসি লাইনিংথৌ নীংবা ফূরুপ ঐখোয়গী লাইনা লমখৈ তাইবা মতমনি, লমখৈ ঙাকপা মতমনি। লাইয়াম পূম্নমক্লা খুন্দিন্নরগা চাওখৎলোন, শেন্মীৎলোন, শিনসুলোন, মীমপোক মহয় য়ালহন্নবা হোৎনবা থানি। মৈতৈ ঐখোয়না ঐখোয়গী ইনাৎ লাইনিং ঙাক্কদবনি হায়খি।

চঙাঙ্গৈদা সী পি আইগী ব্রাঞ্চ কনফরেন্স হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : পাৎশোই লোকল কাউন্সীল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী মসা অমা ওইরিবা চঙাঙ্গৈ তাওবুংখোক ব্রাঞ্চকী তরুকশুবা ব্রাঞ্চ কনফরেন্স কমরেদ য়েন্দ্রেম্বম সনাজাওবগী চঙাঙ্গৈদা লৈবা ময়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

মীফমসিগী প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা কমরেদ এল থোইরেন ষ্টেট সেক্রেটরি সী পি আই, টি ঐচ গৌরো, কমরেদ তাওরেম মনিহার, কমরেদ সোইবম ইবোমচানচিংবনা ওইখি। মীফম অদুদা কমরেদ এল থোইরেননা ফোঙদোকখিবদা, মমাঙ চহীগী মে ৩দগী ষ্টেটসিদা থোক্লিবা তংদু লৈতাদবসি বি জে পিগী দবল ইঞ্জিন গভর্ণমেন্টসিগী য়াম্না চাউবা অশোয়বনি। লোয়ননা লোংনেগ্লিজেন্স ওফ প্রোপর ফঙ্কসনিং ওফ এদমিনিষ্ট্রেসন্না থোকহনবনি। হৌজিক ওইরিবা ষ্টেটসিগী ফীভমসি মৈহৌ চেগপনা লৌগদবা মৈতান অরাববু খূৎনা লৌহনবগী থৌদৌনি হায়না লৈঙাকসিবু মরাল শীখি।

১৮শুবা লোক সভা মীখলদা পার্টি অসিগী মীরেপ কমরেদ এল সোটিনকুমারনা মায় পাক্লবদি অতোপ্পা ইনৌ নৌবা মওং অমা লৈবাকসিদা উবা ফংগনি হায়খি। মীফমদুদা তীনখিবা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা সী পি আইগী মীরেপ্পু মায় পাকহন্নবা হোৎনগনি হায়না ৱারেপ লৌখি হায়রি।

য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা মার্চ ১৬তা সেকমাইজিন হঙ্গুন ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা এম/এস য়ূম্নাম এন্দ সন্স ওইল পম্প (ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন লিমিটেদ)বু থুগায়বা অমদি থবক তৌজরিবা ষ্টাফশিংদা এট্টেক চথুরম্বগী থৌদৌ অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা পেট্রোল পম্প দিল্লরশিংনা থম্মোয় শোক্লা য়ানিংদবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

কান্ত খুরাইজমনা ইবা লাইরিক ‘ইমা’ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : অপুনবা খোরিরোল মালেমগী লূপনা শীন্দুনা ঙসি ‘শংবান্নবা খোরিলোই মিংথোন’ পীবগী থৌরম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা ‘ইমা’ কৌবা কান্ত খুরাইজমনা ইবা লাইরিক অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম দি য়ু হোলদা ফোঙখ্রে। থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইনা হান্নগী য়ু এন এল এফকী চ্যেরমেন নিংথেমচা সনায়াইমা, অপূনবা খোরিরোল মালেমগী লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম অমুচৌ মীতৈনা অখন্নবা মীথুং, রিটাইয়র্দ এদিসনল চীফ ইঞ্জিনিয়র কে ঐচ খম্বা, থিয়েটর দিরেক্তর ডা. লমাবম গোজেন্দ্রনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। থৌরমদুদা অইবা তরেৎতা শংবান্নবা খোরিলোই মিংথোন পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ওন ফায়র

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : ঙসি জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ‘এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ওন ফায়র প্রোটেক্সন অন্দর সী এস এস: এফ এফ পি’ অমা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী লৈঙাংপোকপী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসর এলাংবম নির্মলা চনু, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী সোসল ৱার্কর নামৈরাকপম বুধচন্দ্র, জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওনরেরি ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন হুইরেম রাজেনকুমার, জিরি কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এল যামিনিকান্ত অমদি লৈঙাংপোকপী লোং লাইফ ক্লবকী এদভাইজর জি শরতনচিংবনা অথোইবা মীথুং অমদি অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা মহৈরোয়, এন জি ও অমদি খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াখি। মৈহৌ-লাংপোক তৌরকপদা করম্না মৈ কনগদগে হায়বগী মতাংদা জিরিবাম ফায়র সর্ভিসকী ওফিসলশিংনা দেমোন্সত্রেসন তৌদুনা উৎখি। লোয়ননা উমং-ৱামংদা খঙহৌদনা মৈ চাকপা থোক্লকপা মতমদা মতৌ করম্না মৈ অদু মুত্থৎকদগে হায়বগী মতাংদা জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওনরেরি ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন হুইরেম রাজেনকুমার অমদি রেদ ক্রোস সোসাইটি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি এল যামিনিকান্ত অনীনা রিছোর্স পার্সন ওইনা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীখি।

ফোরেষ্টকা নক্লবা খুঞ্জাশিং অমদি এন জি ওশিংদা য়োৎপাক, ফায়র বুট, টুপি অমদি থাঙনচিংবসু থৌরম অদুদা খূৎশিন্নখি। অথোইবা মীথুং ওইখিবা এলাংবম নির্মলানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক্কী মতমসি এন্দ্রোইদ মোবাইল ফোনদা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা লোইনা ফংনরে। খুদোংচাবসি লৌদুনা ফোরেষ্ট ফায়র এলার্ট হায়দুনা ইন্দিয়াগী ওইনা এলার্ট অমা লাক্লগনি হায়খি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯷ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯷ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : JM Dr Ph Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8620/11 to 15 April

[illegible]/পোৎফমগী CARD তাহৌরে

মাইনম মাইপাক দেবী, ঐগী মিংদা লৈবা থৌবাল কৈথেলগী Fish Seller L/ No. 59, Seat No. 2 (Two) Block-D অসি য়ূমদগী কৈথেল ফাওবগী মনুংদা মফম খঙদনা তাহৌরে। কনাগুম্বনা খুনবীবা য়াওরবদি মখাগী সহি তৌজরিবা অসিদা পীবীয়ু। পূক্নিগী কাউজরোই।

নখোয়গী : মাইনম মাইপাক দেবী
C/o. M. Mangi Singh
Thoubal Wangmataba Mathak

HL-P/10109/18

[illegible]/অৱাবা ফোঙদোকচরি

পুল্লেন লেক দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী ফাউন্দর মেম্বর ওইনা মতম শাংনা পুল্লেন পাৎ অসিবু কন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা শ্রী কে ঐচ তোম্বা সিংহনা হৌখিবা তাং ১৫/০৩/২০২৪, ইরাই নুমিত্তা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

ফোঙদোকচরিবা :-
পুল্লেন লেক দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (পি এল দি ও)

HL-P/10112/18

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM)
Class commencing on 5th April, 2024 (4:20 pm to 7:40pm)

18TH POSITION
Yumnam Hemlan
MECI Explorer Academy

20TH POSITION
Bhumika Rajkumari
COMET School

86%
Ranjan Chungkham
MECI Explorer Academy

86%
Bonita Laishram
COMET School

Form available at :
1. ‘SANGAI HOSTEL’ Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm - 7:30pm)

9233836426
7085521821

HL-B/8646/18

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

Admission Open
FOUNDATION COURSES

Hurry!!! Seats are limited First Come First Served

CLASS XII
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)

CLASS XI
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)

CLASS X
(English, Maths, Science, Social Sc. & Home Sc)

Special features:
- Concession for 1st come 10 students
- Special Concession for Meritorious, Ethnic Victim Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2025

Hostel for BOYS & GIRLS Available

Classes commencing from
18th March, 2024(1st Batches) & 4th April, 2024(2nd Batches)

Morning:(4.00/4.30– 7.00/7.30) A.M. # Evening:(4.00–7.00)P.M

For Details:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal (Mayai Lambi Machin) # 6033817130

HL-B/8605/7 to 31 March

PLANET ACADEMY
KEISHAMPAT JUNCTION OPT. CC PUR PARKING
Gateway to future academic career

ADMISSION OPEN FOUNDATION COURSE

EVENING SHIFT CLASS-XII
Phy., Chem., Maths., Bio. & Eng. COHSEM & CBSE
Classes commencing on 21st March, 2024

EVENING SHIFT CLASS-XI
Phy., Chem., Maths & Bio. Cohsem & Cbse
Classes commencing on 18th April, 2024

MORNING SHIFT seperate batches:-
CLASS-XII
Cohsem & Cbse
Chem. & Bio only
Class starts on 21st March 2024

Provisions:
- Prize for test series toppers
- Sub: choice provided under some conditions

Class Timing
Morning Shift: 4:30 - 6:45 am
Evening Shift: 4:15 - 8:00 pm

Special Features:
- Focus & provided foundation for NEET & JEE aspirants
- Vision for toppers
- Analysis of most probable Q&A for the upcomming final exam, 2025
- Regular chapterwise test series on every sunday
- Extra classes for weak students on regular basis
- Special concession for students of Govt. schools & relieff camps.

Van service & Seperate hostels for boys & Girls

Limited seats
First come first serve
with concession

For further details, please contact: Office, PLANET ACADEMY # 9863002206

HL-B/8624/12 March to 16 April alt.